# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 27-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদাগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা থি হুন্থবগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমলে।

২) মণিপুর পুলিসনা মফম অনিদগী সাপোন কেপ ৮৮০ দা হাপ্তুনা পুরম্বা হিরোইন পাউদর ওইরমগনি চিংনবা কিলোগ্রাম ১০ মখায়রোমগী পোৎলমশিং ফারে।

অমসুং

৩) মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা ভারত-চাইনা লৈবাক অনিগী তোঙান তোঙানবা খেন্নবা লৈরবসু মদুনা চয়েৎনবা ওইহল্লোইদবনি।

------

পুলিস (এল)ঃ মণিপুরদাগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা থি হুন্থবগী থবক চথখ্রে। মদুদা খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থৌবাল ডাম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুলেন ভিলেজ অমসুং মসিগী অকোইবা মফমশিংদা থিবা হুন্থবগী থবক চথবদা খুৎলায় কয়া ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- মেগজিন অনিগা লোয়ননা এ.কে. ফিফতিসিক্সকী রাইফল অনি, মেগজিন য়াওবা সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম- এস.এল.আর অমা,

এস.এম.জি করবাইন অমা, মরু মঙা, হেন্দগ্রেনেদ মঙা, ট্যুব লোঞ্চিং তরেৎ, পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং, লেথোদ সেল অনি, এ.কেগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩০, ইন্সাসকী কাপ্পা য়ারিবা মরু ২০, এস.এল.আরগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩০৩, মেগজিন য়াওবা ইন্সাস রাইফল মরি য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

ককচিং জিলাগী শুগনু পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাপোকপী চীংদগী এস.এল.আর অমা, মরু য়াওদবা মেগজিন অনি, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা হেন্দগ্রেনেদ অনি, থ্রি নোট থ্রি এল.এম.জি অনি, মেগজিন য়াওদবা ইন্সাস রাইফল অমা, তিয়ার গ্যাস ষ্টিগর গ্রেনেদ অনি, তিয়ার স্মোক গ্রেনেদ অনি য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়াসু ফাগৎখি।

মণিপুর পুলিসনা ঙরাং আইন্না থিংখ্রবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপকী মীওইশিং ফাগৎখি। দিংকু রোডতগী  পি.এল.এগী মীওই অনি ফাগৎখি। ফারবা মীওইশিং অদু মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকি হায়রি। মখোয়দগী চাকা অনি পানবা গাড়ি অনি, মোবাইল হেন্দসেট মরি অমদি শেল খরসু ফংখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তখেল মমাং লৈকাই চীংদগী কে.ৱাই.কে.এলগী হকচিনবা মীওই অমসু ফাখি। মঙোন্দগী মোবাইল হেন্দসেট অমা, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা, আধার কার্দ অমা ফংখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শগোলশেম পুখ্রি ময়াদগী আইন্না থিংখ্রবা প্রিপাক প্রোগী মীওই অনি সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ফাগৎখি। মখোয় দুকানশিং অমদি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি। মখোয়দগী মোবাইল হেন্দসেট অহুম, শেল ওইনা লুপা লিশিং ১১,৮০০, আধার কার্দ অমা, কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্তিগী দিমান্দ লেট্টর অমা ফাগৎখি।

তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বোর্দর পিল্লর নম্বর-৭৯ মনাক্তগী য়ু.এন.এল.এফকী কাদর অমসু ফাগৎখি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা মফম অনিদগী হিরোইন পাউদর ওইরমগনি হায়না চিংনবা কিলোগ্রাম ১০ মখায়রোমগা কোন্ননা মীওই অহুম ফাগৎখি। পোৎলমশিং অদু সাপোন কেপ ৮৮০ দা হাপ্তুনা পুরম্বনি।

মাংখিবা চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোরে বজারগী বুদ্ধিষ্ট টেম্পল মনাক্তগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফংবা ঙমখ্রে।

গাড়ি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অমসুং নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি মথং শিৎনা ৩৫১ অমসুং ১৯৯ ইম্ফাল তমা থোরকখ্রে। লম্বীশিং অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অয়েৎ অপন থোক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাংসু লৌখৎলি। চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চ্যেক পোইন্ট ১১১ হাংদোক্লি।

মহুদ (এল)ঃ মণিপুর হাউজিং এন্দ অরবান দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টনা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কলেজ দিভলপমেন্ট কাউন্সিলগা খুৎশমদুনা মাই ৱেষ্ট, মাই রেস্পোন্সিবিলিতি হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা মেদিয়াগা পুন্না ভাব তামিন্নবগী খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কমিতি রুমদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মিদিয়া ফার্মশিংগী পাউমীশিং শরুক য়াবগা লোয়ননা মহুদ দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মহৈরোই কয়া শরুক য়াগনি।

মন্টকিবাটঃ থা অসিগী ৩০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ১২০ শুবা মন্ট কী বাট পুকিংগী ৱা থৌরমদা মীয়ামা মখোয় মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং পীরকবা প্রধান মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা শ্রী মোদিনা হায়-হন্দক থাগী ওইনা মন্ট কি বাটকী থৌরমগীদমক মীয়ামদগী তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন

পীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি। অসিগুম্বা মীয়ামগী ৱাখল্লোন অসিনা সমাজ অসিগী য়াইফনবগীদমক অপুনবা শক্তী তঙাইফদে হায়বদু উৎলি। শ্রী মোদিগী ১২০ শুবা মন্থ কি বাট থৌরমগীদমক মীয়ামা মখোয়গী ৱাখল্লোন তোল ফ্রি নম্বর ১৮০০-১১-৭৮০০ নত্রগা নরেন্দ্র মোদি এপ নত্রগা মাই গোভ ওপন ফোরমদা হয়েং ফাওবা পীশিল্লকপা য়াগনি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা নিউ দিল্লিদা এসিয়া সোসাইতিগী প্রসিদেন্ট অমসুং চীফ ইকজিক্যুতিভ ওফিসার ডাঃ কিয়ুং ৱা কাংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা ডাঃ জয়শঙ্করনা ভারত চাইনাগী মরীগী মতাংদা পল্লদুনা হায়- লৈবাক অনিগী তোঙান তোঙানবা খেন্নবা লৈরবসু মদুনা চয়েৎনবা ওইহল্লোইদবনি। হিরম কয়াদা লৈবাক অনি অসিনা চাংদমরবসু মদুনা ৱাথোক ওইহল্লোইদবনি। মহাকা হায়- মমাং চহিগী ওক্তোবর থাদগী লৈবাক অনিগী মরী হান্নদগী ফগৎলক্লি। লৈবাক অনি অসিনা য়ামা কন্না হোৎনদুনা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা হৌজিক লৈরিবা ৱাথোকশিং লোইশিন্নবা হোৎনরি।

দিআরদিও ঃ দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি.আর.দি.ও) অমদি ভারত নেভিনা লৈবাক অসিগী মচাক মথুমতনা শাজবা লৈমায়দগী নোংথক্তা কাপ্পা য়াবা ভারর্তিকেল্লি লোঞ্চ সোর্ট রেঞ্জ মিসাইল মায় পাকা চাংয়েং তৌখ্রে। ঙরাং উরিষাগী চান্দিপুরদা লৈবা ইন্তিগ্রেতেদ টেষ্ট রেঞ্জদগী মায় পাকা কাপখৎখিবনি।

মিসাইল অসি মায় পাকা চাংয়েং তৌখিবগা লোয়ননা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা দি.আর.দি.ও অমদি ভারত নেভিবু থাগৎপা ফোংদোকখি। ঙাকশেলগী মরমদা থিজিনবা অমদি হেন্না চাওখৎনবগী লম্বীদা লৈবাক অসিনা মাঙলোমদা চংশিল্লি হায়বদু মসিনা উৎলে হায়বদু মহাকা মখা তাখি।

------